ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, নবেম্বর ১১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২২৬শুবা মশীং

# পৱার ওফ এট্রেক্সন

## অঙৌবা থাজরম্বদগী অমুবসু থাজবা তারক্লিব্রা

লৈবাকসিগী মেনলেন্দগী, কেপিটেল সিটি দেল্লীগী অঙম্বা লৈঙাকপশিংনা লৌরকপা ৱারেপ্পা, তৌথোরকপা থবক-থৌরমশিংদা পামজনা য়াজরকপা, হরাওনা ওকপগী মণিপুরগী থৌদৌসিদি ঙসি-ঙরাংখক্তগী ৱাফম নত্তে। মসিমক্তসু চহী লিশিং অনী ৱাফম লৈবা পুৱারী, নিংথৌ পানবগী লিক্লম লৈজরকখিবা মণিপুরনা লৈবাকসিগী ফিবাম্নুংদা তিন্দুনা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমা ওইজদুনা মশাগী মশা অমত্তা ওইমিন্নরকখিবমক ওইরমগদ্রা অদুঙৈ মণিপুরনা লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরে হায়দুনা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা লাউথোরকখিবদা খ্বাইরম্বন্দ কেথেলদা মখুৎ শম্নদুনা থাবল চোঙখি হায়বগী ৱারী লৈরি। থৌদৌসিবু লৈবাক অমগী ওইবা অমত্তা ওইবগী অচেৎপা লিপুন অমনা চেৎনা পুনশিনহন্নবগী লম্বেলদা থাংলকপা অচুম্বা খোঙথাংশিং ওইগদ্রা? মসি ওইরগনা মর্জর এগ্রীমেন্ট অমসুং ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯গী মায়োক্তা লেপ্লকপা য়াওরক্লিবসিনা করিগী ওইগদগে?

অদুবু ৱাহংসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিংগী মতাংদা পোপথোক্লদ্রবসু হৌজিক্কী মীরোলনা খঙলিবা মণিপুরগী পোলিটিকেলগী পুৱারীদি মীওই অমনা, পার্টি অমনা লৈবাক লৈঙাকপগী লৈঙাক্লোন খুৎপায়নবা ঙমক্কবদি লৈবাক্কী খুর্জি পায়রিবশিংদুবু শীংকুপ-শানা য়ানখায়রগা থুগাইদুনা চিংথুনবা হোৎনবনি। মসিদা ঙমদ-ঙম্নক্তগনা পৱার পায়রিবা খুৎপ্পু পার্টিদুদা ইকায়-ইকি পূম্নমক থাদোক্লগা চোঙশিন্দুনা লেঙোয়রুবনি, অমত্তা ওইশিনমিন্নরুবনি। মসিদি বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্বা ফংলবা মণিপুরনা মশাগী লৈঙাক মশানা পায়জনবা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্টকী মখাদা কুমজা ১৯৪৮দা অহানবা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা মেজোরিটি ওইবা ঙমজহৌদ্রবা পার্টি অমগী মীওইশিংনা মণিপুর লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরে হায়রকখিবদা খুৎশম্নদুনা থাবল চোঙখিবদুনি। অদুনা হৌজিক ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিদা য়োমশিন্দুনা হোৎচিন্নরকপা, চোঙশিন্নরকপা হায়বসিদি লিক্লমচৎ তুংইন্নরকখিবা পরিংনি, অনৌবা নত্তে। চেনশিন-চোঙশিন্নরকপদা পৌ নম্বগী ফীভম ফাউবা থোক্লবা য়ারিবনি। মরমদি হৌজিক অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্কদবা মতম খুৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবসিনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদি মহৌশাগী মহৌশানি। লমদমসিগী পোলিটিকেলগী ওইবা মচৎনি। অদুবু মতাংসিদা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংদি পোলিটিকেল পার্টি অমগী মীওই, মীহুৎ অমসুং লুচিংবা ওইদুনা পার্টি অদুগী ৱাখল্লোনগী মখাদা ঙাঙ-শরুক্কা, থবক-ইনখাং তৌরম্বদগী খঙহৌদনা হিরাক হিঞ্জিলদা অতোপ্পা ফিরাল অমসুং সিম্বোল মান্নদবা পুমখেন খেন্নবা পার্টি অমদা চোঙশিনখ্রবা মতুংদনা অনৌবা পার্টিদুগী মায়কৈদা ৱা ঙাঙলকপদা মীয়ামদি অদুম্মক থাজখিবা তারিব্রা হায়বনি। করিগুম্বা পোৎশক অমা মতম খরা অঙৌবনি হায়দুনা লাকখিবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তগী খরনা মহাক্কী ফিজোল হেক হোংদোকখিবগা পোৎশক্তু অমুবনি হায়দুনা হায়বা হৌরকপদসু অদুম থাজখিগদ্রা? মথক-মখা থোক ওন্থোরক্লবসু ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা, পোলিটিকেল লীদরশিংনা হায়বনি হায়দুনা অদুম্মক তাখিগদ্রা হায়বনি। মণিপুরগী মীয়াম্নদি অকক্লবা ষণগোন লৈতবদা ষণবু পন্নে। ময়ূম চেন্নাই-চেন্নাই নাইবা নুপীবুসু তিনশিৎ মায়শিৎনৈ। অরুবা লাইগী থৌরমদা ফাউবা শরুক য়াহন্দে, লাইবুং কাহন্দে, ইন্থোক্নে। অদুবু পোলিটিক্সতদি পোলিটিসিয়নশিংনা চেপ্পগা মীয়াম ভোটরশিংসু চেপ্পী, মখোয়না লোংলগা লোংই। মসিবু লীদরনি হায়রিবশিং অদুগী মতিক ময়াই কনমনবদগী ওইগদৌরিব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম হৌজিক মীখল মমাঙগী মতমসিদা মীয়াম পূম্নমক্কা মশা মশাদা ওনশিঞ্জদুনা হংজহৌবা চুমগনি। মরমদি লৈবাকসিদা চৎনরিবা লৈঙাক্লোনগী সিষ্টমসি দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকীনি। পার্টি সিষ্টমদা লিশাং শিংনা চত্থরকপা লৈবাকসিগী লৈবাক লৈঙাক্লোনগী চৎনবীনি। চৎনবীসি ওইরগদি লন্নাই লীদরনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্লবসু মহাক্কী ফম্ফম-ফিদাদা খুয়া তুশিংৎপগী ফীভম ওইহল্লকপদা ৱানা থোকই। মসিমক্না পার্টি অমদগী অমদা খুরুপ থাদুনা চেনশিন্নরিবনি। মীয়াম্বু অনৌবা, অওনবা মায়কৈদা ঙাইহাক লৈতনা হোং-হোংদুনা লমজিংলিবনি হায়বদা লানগদ্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১) *“থাপ্নরিবা”* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্না হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্কে।”** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **“মৃগনয়নী’** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *“সীতা বনবাস”* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *“মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক”* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫১

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা পার্টি অমগী খ্বাইদগী লুবা মতাংসি লীলা পুথোকপসিনি। লীলা পুথোকপা হায়বসিদা কোকসি ফজনা থাদদবা য়াদে। মতমগী চৎনবী, মীয়ামগী ইহুল, নহা-অহলগী অপান্বা, হোংলক্লিবা খুন্নাইগী অহোংবা, মতম মতমগী থোকপা থৌদোক ৱাথোক, হোংলক্লিবা কয়াশিংদুদা মীয়ামগী ৱাখল্লোন কয়াশিং অসি য়াম্না কূপ্পা নৈনদবা য়াদে। রাইটর অমদা লীলা অমা ইবিয়ু হায়না হায়রগা ইরকপসু য়াওই। অদুগা ঐখোয়না মতমগী চৎনবী অমদি ঐখোয়গী অপান্বা কয়া অদু রাইটরদুদা হায়রগা ৱারী অমা শাগৎলগা ইহনবা অমা। নৎত্রগনা রাইটরদুগা ফম্মিন্নরগা মখল কয়াগী ৱারী শাগৎমিন্নবা অসিনি। মসিদি তোয়না ফম্মিন্নদবা য়াদে। চা থকফম হোটেলদা, লম্বীদা খোংনা চৎমিন্নবা, চীংদা কারগা অচিকপদা ফম্মিন্নরগা ৱারী শুংগৎপা, খুন্নাইগী থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াশিং অদু নৈনবা, মদুদগী থোরকপা পূক্লিংদা ফাওরকপা ৱারী শুংগৎপা হায়রিবা মখল অসি লৈ। মসি খরা সেরিয়স ওইবা খরগী ৱানি। নৎত্রগদি অহানবগী রাইটরদা হায়রগা ইহনবা অদুনা অয়াম্বা তৌনৈ। ঐখোয়গী লীলা পুথোকপদি রাইটরগা য়াম্না তোয়না ফম্মিন্নে। অদুগা মখল কয়াগী ৱারী শুংগৎতুনা ফগনি খনবা অমা রাইটরদা নীংতম্না থাদোক্তুনা ইহল্লি। মসিগীসি রাইটর অয়াম্বনা য়াগন্দে, মখোয়গী ইবগী নীংখা তম্বা মৎলি হায়না খল্লি। অদুবু রাইটর অমা অনীদি (য়াম্না মমিং চৎপা লমদমসিগী অইবনি, মখোয়গী মীংদি পঞ্জদ্রে ৱারৌবীনু) ফম্মিন্নরগা ৱারী শুংমিন্নে। মদু য়াম্না মায় পাক্কল্লি। ৱারীসি খরা শাগৎলগা লোইশিনবা য়াদদনা তোকপসু য়াওদবা নত্তে। মদু ঐখোয়না অমুক শেমজিন শাজিল্লগা নৌনা ইশিন্দুনা শানবদা শাথীনা মায় পাকপসু য়াম্না য়াওখি।

মতম অমদা শুমাং লীলাগী অইবসি খরা লৈরম্মী। হৌজিক্তি লৈশিল্লক্ত্রে। য়াম্না তাঙলে। ইরিবসিসু অদুঙৈগী মতমদুগী লীলাদু য়ৌনা ইরিব্রা ইদব্রা হায়বদুমদি লৈবাক মীয়াম্না নৈনজরসনু। মতমদুদা মমিং য়াম্না লৈনা ইনরম্বা ওজাশিং অদুগী মীং অমা অনীখক থমজরবদা - ঙাইরাংবম ইবোহল, থাংজম বিরচান্দ, চানা লুখোই, রুপচন্দ্র ঘোশনচিংবা। থিএটর রোমদগী লাকখিবা ওজাশিংদি - জি সী তোংব্রা, অথোকপম তোমচৌ, মাইবম রামচোরোননচিংবগী মীংসিদি মৈনা ঈশিংনা চামদুনসু কোক্লরোইদবনি। মসি নত্তবা কোকথোং অমসু লৈরম্মী। লোইনমক পঞ্জদ্রে, মসিগী মখা তাবদা অমুক নহা পরেং অমা থোরকখি। হৌজিকপুদি মীয়াই হেনজি ল্লক্লবা ওজাশিং কয়া অমসু লৈরি। ঐখোয়গী পার্টিগী লীলাসি মমিং লৈবা অইবশিংদগী লীলা লৌদুনা শান্নবা থৌরাং মথং মথং তৌরক্লে। খরসু শান্নখ্রে। মায় য়াম্না পাকখি। ঐখোয়না লুনা খঞ্জবা ওজাশিংগী মনুংদা লৈখিদ্রবা ওজা মাইবম রামচোরোন হায়বসিসু অমনি। ওজাগী লীলা - **লমলক্কী চেক্লা** মীয়াম্না য়াম্না পান্না য়েংনখিবা সেরিয়স ওইবা ঐখোয়গী লীলানি। সিগী মতুংদা **নুংশি খুদোল** হায়বা অমসু ওজানা ইবিরগা তম্বীদুনা শান্নখি। ওজা রামচোরোন লীলা তম্বীবদসু য়াম্না চঙখোনবা অমদি মশক থোকপা ওজানি। ওজাগী লীলা খূৎতম্বীসিদি পুন্সিদা কাউবা ঙমদবা কয়া অমা লৈ। ওজাসি হেক য়েংবদা ৱাং চাউবা, চুঙ ফিরাল য়াম্না চাবা লূম-লূম লাউবা ওজানি। ওজানা শাউদুনা ঙঙলগা ঙাঙবগী মতৌগা তম্বসিদি অঙকপা অমনি, ঐখোয়না লৌশিনবতনা ৱাৎহৌরবনি। অদুগুম্বা ওজাদুনা নুপীগী রোল তম্বীবসিসু থোৎখ্রবা, নুংঙাইখ্রবজাৎনি। মীৎয়েংনে, নায়েংনে, ৱাঙাঙনে, শঙাঙনে পূমসুম শুমহৎপনি। ওজানা তৌবদি য়াম্না পকচৈ, ঐখোয়না শোক্লুবা ঙম্বা নত্তে। অদুনা ওজাসি ঐখোয়না মনাক্তা শুরু শুরু নৈদুনা য়ারিমখৈ খঙহৌনবা, তমহৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনজখি। **নুংশি খুদোল** হায়বা লীলা অদুদা ঐনা ডাক্টর অমা শাই, খুঙ্গং অমদা পোষ্টিং তারবনি। মদুগী খোঙচৎ অদুদা লম্বীদা লৈবা খুঙ্গংদুগী পুখ্রি মপাল অমদা লৈশাবী অমনা সনাবুল পায়দুনা ঈশিং শোকপা থোরকপদা ঐনা ঐগী পন্থুংগী ৱা হংবগা লোয়নবা *লম্বী লমশাং লাকপগী ঈশিং য়াম্না খৌরাংই, ঈশিং খজিক্তা থকচগে* হায়না হায়জবদা লৈশাবীদুনা সনাবুলদগী ঈশিং হৈরগা ঐনা খুজোক্লা য়াদুনা থকপগী সিন অদু তম্বীখিবদু পুন্সিসিদা কাউবা ঙম্লরোই। লৈশাবীদু দেবদত্তনা শাবনি (হৌজিক্তি লৈখিদ্রে)। ঐনা খুজোক্লা য়ারগা ঈশিংদু হৈরকপদুদি থক্ত্রদুনা, লৈশাবীদুদা মুন্না য়েংদুনা লৈবদুদা দাইলোগ অমা য়াওই। *“হৈমা, ঈশিং থক্কেদি হায়দ্রদনা ঐঙোন্দা সুম মুন্না য়েংদুনা লৈবিরিবসিবু...”* হায়রগা ইকায়না মমায় লৈথরগা নোকফেৎ তৌখিবগী এক্টিংদু তম্বীবসিদা দেবদত্তনা তাবা ঙমদে। অদুদা ওজানা য়াম্না ফূই, *য়েংলিবা মীৎয়েংদু ফজদে, নুংশিবী অমদা য়েংববু চাদৌখৈ য়েংলি কৈগীনো রস য়াওদে* হায়না ঐবুসু নাগসি কন্না কন্না য়াম্না লৈবিখি। য়াম্না চৈবীখি। মদুদা ওজানা তম্বীখিবা কয়াশিং অদুনা ঙসিদি ঐঙোন্দা ইশাগী ওইবা লনগৈ ওইনা লেঙদনা লৈহৌরে। মসিবু ওজাবু ঐনা করম্না কাউবা ঙমগদগে? ঐখোয়গী লীলাদি ওজাগী য়ূমগী শঙ্গোইদা তম্বী। থেংনগা লাকপা য়াবা নত্তে। হেক থেংবা মীদু ওজানা চা পীথক্তে, ময়াম থল্লগা য়েংদুনা লৈহল্লি। য়াম্না চৈ। ঐখোয়বু মচাদৌনা লুনসু তৌবী। মসিনা লীলা তম্বীবগী ৱারীনি, সি নত্তবা থৌদোক কয়া অমা লৈখ্রে। মদু লোইনমক তমজদ্রে।

ওজাদি লীলাসু ইবনিনা, মথংগী প্লে অমা ইবিনবা ঐনা চৎতুনা ওজাদা হায়জৈ। ওজানসু অনৌবা স্ক্রিপ্ট অমা ইবিগে য়াবীখি। খরা লৈরগা ঐনা ওজাগী য়ূমদা চৎলুবদা, ওজানা লোইরে হায়দুনা স্ক্রিপ্টতু পুথোরকই। স্ক্রিপ্টতুগী ৱারীদুসু লীবি। ওজানা লীবা ৱারীসিদি হেক্তা মুনবনি, তাবদা য়াম্না ফজখ্রজাৎনি। স্ক্রিপ্টতু পারক্তে, ৱারী ওইনা লীবিবনি। ঐনা কাউবা ঙমদবা ওজানা হায়বীবা স্ক্রিপ্টতুগী মতাংদা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। *“নরেন্দ্র, হন্দক্কী ঐনা ইরিবা রোলসিদা নঙনা খোঙগ্রাও অঙৌবা অমা, ফুরিৎ ঙৌশ্রোক ঙৌবা অমা লিৎলগা, আনোক ফজবা অমা উপশিল্লগা তাই অঙাংবা অমগা পুল্লবা, পেটি অমুবা অমা ফারগা থোরকপদা ফজগদবসিদি... হন্দক্তি ইবো, নঙ শাথীনা ফাওবা হেনগৎলগদবনি, ঐগী স্ক্রিপ্ট অসিনা নঙবু য়োম্মগা পুখৎখ্রদবনি, অদুগা নঙনা অরোইবা সিনদুদগা নমাগী মখোঙ কোন্দুনগা কপ্প্রদুদদি ভাবোক পূম্নমকসি ৱান্থগদবনি...”* সিনিসে। য়াম্না য়ামখ্রবা ৱানি লোইনা তমজদবৈ ৱানি। পুং অমা হেন্না লীবা ৱারীনি। ঐ ওজাগী ৱারী লীবা হৈবগী মতৌদুনে, এক্টিং তৌ তৌদুনা লীবদুদা পুংমুন মুনবনি। ঐনা ফুরিৎখাওদগী লুপা চহুম লৌথোক্লগা পী। ওজানা *সিদি য়ারোই হায়, ঐনা হয়েং হাপচগে, হৌজিক্তি য়াওদ্রে* হায়জৈ। ওজানা *সুক ফজবা, ফাওগদবা লীলা অমবু শেল শোৎপা হৌনদে, হৌজিক লৌরুচো অদুগা স্ক্রিপ্টসি লৌ* তাকপী। ঐসু থুরেখৈ সাইকল তোংদুনা চৎলগা লুপা চনি অমগা লৌরুরগা ওজাদা লানশিল্লি। মতমদুদা স্ক্রিপ্ট অমা ইবসি লুপা চামঙা লৌনরিবা মতমনি। ওজানা লুপা ৫০০ লৌরবদুদদি স্ক্রিপ্টতু মরাইবক্কা কত্তনা - *“সে সে নোই ফাওজরুরোচো”* হায়রগা পীবিরকই। স্ক্রিপ্টতু ঐনা পুরগা ময়ামগা পূন্না পামিন্নরে। ওজানা লীবিরকপা ৱারীদুগা স্ক্রিপ্টতা লৈরম্মীদুগা য়াম্না খেন্নরে। স্ক্রিপ্টকীদুদি লীলা ওইনা শান্নবদা কয়া নুংঙাইদৌ মান্দে হায়না ময়াম্না খন্নরে। ঐদি পাখৎলে, মরমদি লুপা চাম্মঙা অমসু ঐঙোন্দগী পীথোকখ্রবনি। অদুদা ওজাগী মনাক্তা চৎলগা অনৌবা অমা ইবিরো হায়না হায়জরুই। মদুদা ওজানা শাওরকপসি অশ! কিবজাৎনি। *‘চৎলো আদা, ঐনা ফজনি হায়না ইরবনি, শান্নগে শানৌ শান্নরোই তোকউ। স্ক্রিপ্টসি থনমগনু চো। অনৌবা অমা ইয়ু হায়দুদি য়াই, অদুগা সিগী মহুক্তি ইবা ঙম্মোই, পুখ্রো চৎলু হায়না স্ক্রিপ্টতু তাপ পায়রগা “নোইগীনেনা ইখ্রবা স্ক্রিপ্টসি ঐদি কৈদৌননি অঙাং মথি শেংগদ্রা?* হায়রগা অমুক্তং লাক্তনা লংথোরকপবু পুমচাই চাইখৈ শুমাংদা তাবনি। শাথীখ্রবা ওজানি। ওজাদো অদুম্মাইনা হায়জৈ হায়বৈ ৱানি, নুমিৎ খরা লৈরগা মশা য়াম্না নান্না মশম তপ নপনা হাৎলগা, লিচৈ অমা পায়দুনা রিক্সো তোংদুনা ঐখোয়গী লীলাগী ওফিসতা লাক্লগা হংলৈ, - *“ইচাশা কমাই কমাই তৌরবা, নোইবু লীলাদুবু য়াম্না পামদ্রবো, ঐদি ফজনি হায়না খল্লগা ইবিবনিনে। ফরে ফরে পামদ্রদি শান্নরুরনু, ফজবা অমা ইরগে”* হায়না থেমজিনবীরখি। ওজাদু য়াম্না নুংশি, কাউবা ঙমদে। ঐবুসু য়াম্না লুনা তৌবীরকখিবনি। ওজাগা ঐগা ৱারৌনবা কয়া অমসু লৈখি মদুনা লন্নাইগী ওইবা ৱানি। অদু ওইরসু নুংশিনবগী মরী অদুদি তৎখিদে। ওজানা তোয়না ঐগী য়ূমদা লাকপীখি, অৱা নুংঙাই ৱারী কয়া শানমিন্নখি। ঙসিদি ওজাবু য়াম্না নীংশিংলকই। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদাদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮৭

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ২৫, ২০১০ ইং :-** চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি চেন্নাইনা মণিপুরগী অঙাং ১৭ রেস্ক্যু তৌখ্রবা মতুং জুবেনাইল হোম ওফিসর অমসুং প্রোবেস্নরি ওফিসরনা টামিল নাদুগী কন্যাকুমারি দিষ্ট্রিক্টতগী থাসিগী ২৩দা রেস্ক্যু তৌখিবা মণিপুর অমসুং অসামগী অঙাং ৭৬কী মতাংদা চপ চাবা ইনফোর্মেসন পীরক্লবা অমসুং য়েংশিন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টনা টামিল নাদুগী গভর্ণমেন্টকী সোসল দিফেন্সকী কম্মিস্নরদা ঙসি খঙহনখ্রে।

লোয়নন মণিপুরদগী মরম অমা নৎত্রগা অমগীদমক অঙাং পুথোকপদা হান্নবা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটিশিংদগী অয়াবা লৌবীয়ু হায়না সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা নোটিফিকেসন অমা ঙসি থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না বস ষ্টেন্দ, টেক্সি ষ্টেন্দ, এয়রপোর্ট, রেলৱে ষ্টেসন, হোস্পিটালশিংদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা অঙাং চবুন-চবুন লৈরবদি, চৎখিনবা হোৎনবা উরবদি য়াম্না থুনা অনকপা পুলিস ষ্টেসনশিং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি, চাইল্ড লাইনগী ফোন নম্বর ১০৯৮দা পাউ পীবিয়ু হায়রি। লোয়নন জুবেনাইল জষ্টিস কেয়র এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন এক্ট ২০০০ (২০০৬তা শেমদোক্লবা) গী মতুংইন্না মণিপুরদগী চিলদ্রেন হোম, ইন্সটিট্যুসনশিং থম্নবগীদমক অমসুং লেম্না মহৈ-মশীন তমহনবগীদমক পুথোকপা মতমদা ষ্টেট সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটিশিংদগী অয়াবা য়াওদনা পুরগদি ইল্লিগেল ওই অমসুং চৈরাক ফংনীংঙাই ওই হায়না নোটিফিকেসন অদুদা পল্লি।

থাজবা য়াবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৩দা রেস্ক্যু তৌখিবা মণিপুর অমসুং অসামগী অঙাং ৭৬ অদু মণিপুরদগী অঙাং ৫৪নি। হায়রিবা অঙাংশিং অসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগীনি অদুগা ২২না অসামদগীনি হায়রি। হায়রিবা অঙাংশিং অদু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী অবেন ভিলেজ, মন্দিয়ু ভিলেজ, তৌসেম ভিলেজ, ওইলোং ভিলেজ, পানিংদি ভিলেজ, পকাং ভিলেজ অমদি নিয়াম ভিলেজদগীনি হায়রি।

অঙাংশিং অসি পলায়ামকোট্টাই জুবেনাইল হোম ওফিসর শকলা ভানু অমসুং প্রোবেসনরি ওফিসর, কন্যাকুমারি কে থিরুমাবালায়মনা পুলিস পর্সনেলশিংগা লোয়নন হৌখিবা থাংজ গী নুমিদাংদা বিথেস্তা ব্লেশিং হোম অমদা রেদ চত্থবদা য়াম্না অপিকপা কা অমদা, মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতনা লৈরম্বা থেংনবদগী রেস্ক্যু তৌখিবনি হায়না টামিল নাদুদা ঙসি ফোঙখিবা দি হিন্দুদা রিপোর্ট তৌরকখিবনি। বিথেস্তা ব্লেশিং হোম অসি কন্যাকুমারি দিষ্ট্রিক্টকী কেরলা বোর্দরদা লৈবা কারাকোনমগী শাজি অমনা চলাইবনি হায়রি। চহী মঙাদগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অদু য়ূমদা চৎনীংবগী অপান্বা ফোঙদোরকখি হায়রি।

**জন্যুৱারী ২৫, ২০১০ ইং :-** ইন্দিয়া শিন-থুংনা পাঙথোক্কদবা হয়েংগী রিপব্লিক দে থৌরমগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লালহৌবগী ঈরাং লৈবা মণিপুরদসু অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈ মরক্তা ইম্ফাল মনুংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা পুলিস কম্মান্দো পর্সনেল অনী শোক্লে। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মিনুথোং মনাক্তা লৈবা অসাম রাইফলসকী ত্রাঞ্জিৎ কেম্পকী চেকপল ৱাংমদা থোকখিবনি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না অসাম রাইফলসকী ত্রাঞ্জিৎ কেম্পকী মখা থংবা চেকপলগী ৱাংমা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স চঙবা লম্বীগী নাকলদা আই ই দি অমা পোকখায়রকখি। বোম পোকখায়রকপা অদুদা মনাক অদুৱাইদা দ্যুটি তৌরম্বা পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবু অমনা মনাক্তা চঙশিন্দুনা য়েংলিঙৈদা অতোপ্পা বোম অমসু মনাক অদুৱাইদা পোকখায়রকখি। বোম অনীদু মিনট মঙারোম কান্নরগা ফুট ৩০ রোম লাপ্পনা পোকখায়রকপনি।

অকোনবগী বোম পোকখায়রকপা অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী পর্সনেল অনী শোকখি। মখোয়শিং অদুদি হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়দগী লোংজম সোমোরজিৎ (৩৩) অমসুং ওইনামপোক্তগী ঐচ বিনয় (২৮) নি। সোমোরজিৎকী ওইথংবা পাম্বোম অমসুং খোঙদা বোম মচেৎশিংনা পান্দুনা শোকখিবগা লোয়নন বিনয়গীনা মশাগী মফম কয়াদা শোকখি। মখোয় অনীমক রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। শক্তি লৈবা বোমশিং অদু পোকখায়বদা ফিট অনীরোম লুবা, মরিরোম পাকপা কোমশিং তৌরম্মী। বোম পোকখায়রিবা মফমগা মায়োক্নরপ তৌনা লৈবা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন (এম এম টি এ) ওফিসকী থোঙজাওগী ভেন্টিলেটরগী মিংশেল কায়খিবগা লোয়নন গোটতা থেৎপা হোর্দিং হুমদোকখি। বোমশিং অদু কে সী পি (এম সী) না পোকখায়হনখিবনি হায়না লূপসিগী মিলিটরি এফ্যেরসকী সেক্রেটরি লানহৈবা মৈতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। সিক্যুরিটিনা কন্না ঙাক শেল্লিবা মফমদুদা বোম অনী পোকখায়হনবতা নত্তনা আর্মিগী হেদ ক্বার্টর্স ওইরিবা লৈমখোংদা বোম প্লান্ট তৌখি হায়না ক্লেইম তৌরক্লি।

চৈরকসিদা, মণিপুর পুলিসকী দাইরেক্টর জেনরেল য়ূম্নাম জয়কুমারগী থোঙ্গাল তাবা নাওরেমথোং য়ূম্নাম লৈরক মচিন্দা ঙসি অয়ূক হেণ্ডু গ্রেনেদ অনী লৈরল্লে। দি জি পিগী ময়ূম য়ৌগদবা থোঙ্গাল অনী/অহুমলোম ৱাৎলিঙৈ লৈরক অদুগী উরিপোক-কাংচুপ লম্বীরোম থংবা মচিন্দা অয়ূক পুং ৬.৩০ রোম তাবদা লৈরম্বা গ্রেনেদ অনী অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

**জন্যুৱারী ২৫, ২০১০ ইং :-** থা অসিগী ১৭কী নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তাবদা ফিজম শেৎপা আই ও এফকী কাঙবু অমনা ঙাংবম তোনি (২৪) উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় অমসুং ওইনাম জোন এলিয়জ জয়শঙ্কর (২৪) খুরাই সোইবম লৈকায়বু খুরাইদগী ফাদুনা পুখ্রগা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা নহারুপ মমাঙগী য়াংবী খুনৌ ৱাখদা মালেমগী চৎন-লোনচৎ থুগাইদুনা তমথীনা ওৎলবা মতুংদা শাশিন্নবা খূৎশেমগী খূৎ থোক্লবা অমদা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না আইন্না থিংখ্রবা লূপ প্রিপাক (রেদ আর্মি) গী দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দর সুনিলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মখোয়দগী এ কে ৫৭ অমসুং মৰূ তরেৎ য়াওবা মেগজিন অমা ফংই হায়বসি অরানবা ৱাফমনি। মখোয় ফাখিবা মতমদা এম এম মাপনগী পিষ্টোল অমা য়াওখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি। লৈখিদ্রবা অনী অসি থৌনা ফবা, থকসি খাসি মশক খঙবা অমসুং নিংহন্নবা লৈতনা নীংতম্বা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ ফাওবা কৎথোক্লম্মী হায়না চেরোল অসিনা পল্লদুনা লৈখিদ্রবা অনীগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়নন ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা ফোঙদোরক্লি।

**জন্যুৱারী ২৫, ২০১০ ইং :-** থৌবাল মোইজিংদগী মহম্মদ ফজেরুদ্দিন (৪৫) অসাম রাইফলসনা ফাখ্রগা নোংমৈ কাপ্পবদা শিবনি অমদি পল্ফকী কাদরনি হায়বা ৱাফম য়ানীংদবা উত্তুনা ঙসি মোইজিংগী মীয়াম্না থৌবাল ময়াং ইম্ফাল লম্বী থিংখ্রে। ফজেরুদ্দিন মীহাৎকী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগী মখাদা মোইজিংগী মীয়াম্না ঙসি অয়ূক্তগী লম্বী থিংবা হৌখি।

অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা নোংমৈ য়াওনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপথোক্তুনা তানখায়খি। তানখায়বগী থৌওং অদুদা য়ামদ্রবদা নুপামচা অমা, নুপী তরেৎ শোকখি হায়না মোইজিংগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। ন্যু মোদেল ইংলিস স্কুল কৌবা লন্নাই স্কুল অমদসু টিয়ার গ্যাস কাপশিল্লমখি। মীওই ১০ রোমসু ফারগা পুখি হায়রি। পোকখায়হৌদ্রবা টিয়ার গ্যাস সেল অনী অমসুং এ কে রাইফলগী এম্পটি কেস ৮ ফংখি হায়নসু খুঞ্জাশিংনা পাউমী কাঙবু অমদা উৎলকখি।

ফজেরুদ্দিন জন্যুৱারী ২১ অমসুং ২২ লোন্নবা অহিংদা সাইতোন অৱাং লৈকায়দা ৩৩শুবা এ আরগা নোংমৈ কাপ্পবদা শিখি। মঙোন্দগী নাইন এম এম পিষ্টোল অমগা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদকী দিটোনেটর অমগা ফংখি হায়না এ আরগী রিপোর্টনা পল্লদুনা পুলিসনা ফোঙদোকখিবনি।

জে এ সীগী মেম্বর মহম্মদ সুকুরনা পাউমীশিংদা হায়খি, ফজেরুদ্দিন মোইজিংদগী সাইতোন্দা হোংখিবা নুমিৎ ১৫নি রোমদা ঙাইরিবা মতমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহাক লৌমীনি। পল্ফকা মরী লৈনৈ হায়বগী খুদম চাংদম পীবা ঙল্লবদি খুদক্তা জে এ সীনা খোঙজং হন্দোক্কনি। হৌজিকসু জে এ সীনা অশিবা হকচাং লৌদনা মখা তানা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়না সুকুরনা মখা তাখি।

অমরোমদা, ফজেরুদ্দিন ফারগা পুখ্রবা মতুংদা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক্তা হাত্তোকপীবগী মথক্তা মীফাবশিং অদুনা শেল, সনা-লুপা পুখ্রে হায়না লৈখিদ্রবগী লোয়নবী মেমচানা ঙরাং মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট অমা তৌখ্রে। জন্যুৱারী ২১গী নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা হিন্দি অমদি মণিপুরী লোল ঙাঙবা আর্মি পর্সনেল ২০ লোম্না ফজেরুদ্দিন ফারগা পুখি। মীফাবশিং অদু অমুবা ফিনা মচিন খুম্মী। মখোয়না য়ূমগী পোৎ চৈ চাইখাইরম্বগী মথক্তা শেল ওইনা লুপা ৩০,০০০ অমসুং সনা-লুপা পুখ্রে। মসিগী মথক্তা খুদৈ শেৎলগা ফাখিবা মাগী মপুরোইবা অদু চাদবা কেমোক্লেগ খোঙ্গ্রাও শেৎলম্মীসু হায়রি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিনা ঐ অমদি পিক্লিবা ইচা অহুমগী পুন্সি লমখাংদা মাঙহনবীরে হায়নসু মহাক্কী ৱাকৎ অদুদা মেমচানা পল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।